থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

নুমীৎ নীনিগী বেঙ্ক-ষ্ট্রাইক মতুংসিদা

অনৌবা মতমগী (নিউ জেনেরেসন) প্রাইভেট বেঙ্ক খরা নত্তনা, ইন্দিয়াদা লৈরিবা বেঙ্কশিংদা থবক তৌরিবা ৱার্কর (ইমপ্লোয়ী অমসুং ওফিসর) পুম্নমক্কী অপূনবা বোদি, 'য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স'গী লীচিং মখাদা পাঙথোকখিবা নুমীৎ-নীনি-থবক-লেপ্পগী-খোঙজং (মার্চ ১৫ অমসুং ১৬) লোইশিনখ্রে। ষ্ট্রাইক তৌরিবশিংনা হায়- ষ্ট্রাইক অদু মায় পাক্লা লোইশিনখ্রে- 'রেদ সেল্যুত টু ইটস মেম্বরস'। গভর্ণমেন্ট পায়রিবা মিনিষ্টরশিংগী বোদি লেঙ্গুয়েজ'না উৎলি- ইমপ্লোয়ী নখোয়না তৌনিংবা তৌ, সরকারগী ফিরেপ হোংবা লৈরোই, সরকারগী অহানবা প্রাইভেটাইজেসন- প্লান থবক শোয়দনা ওন্থোক্কনি। থা অমগী মমাঙদা লাউথোকখ্রবা ষ্ট্রাইক-প্রোগ্রাম থিংননবা সরকারগী মীহুৎকা ষ্ট্রাইকরশিংগা ৱারী শাননবা অনীরক হোৎনখিবদু মায় পাকখিদে। সরকারগী মীহুৎ লেবর সেক্রেটরিনা হায়খিবদু 'গভর্ণমেন্টনা প্রাইভেটাইজ তৌগদবা বেঙ্কশিংগী মমিংদু লাউথোকপা তৌদ্রিবনিনা ষ্ট্রাইক অসি তৌবীখিনু'- অসিখক্তনি, 'লৈঙাক্কী ফিরেপ হোংদোক্লগে ষ্ট্রাইক অসি তোকপীরো' হায়বা নত্তে। পব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিংবু প্রাইভেট সেক্তরদা য়োন্থোকপগী মোদি-গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অসিদি হোংবা লৈতে হায়ব'সিদি ষ্ট্রাইক হৌগদবা নুমীৎ নীনি'তা ঙায়রক্লবা মতমদা 'নিতি আয়োগ'না প্রাইভেটাইজ তৌবা য়াবা পব্লিক সেক্তর য়ুনিট তরানিথোইগী মমিং গভর্ণমেন্ট'তা লানখৎখ্রিবদুনা ময়েক শেংনা তাক্লবনি। করম-করম্বা য়ুনিটনো? হায়দোক্ত্রবসু খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অসিনা 'বেঙ্ক কল্লু, লৈপাক কনসি' হায়বা স্লোগানগা ঈরোয়ননা ষ্ট্রাইক তঙাইফদনা তৌরকখিবনি। মার্চ ১৫ অমসুং ১৬কী বেঙ্ক-ষ্ট্রাইক অসিনা অরোইবা নত্তে। লানফম অমগী অহৌবনি। নেসনেলাইজ বেঙ্ক মুখৎলগা প্রাইভেটাইজ তৌবা হায়বসিদা হায়দোক্তবা পান্দম অমা য়াওরি, মদুদি, 'বেঙ্কশিংদা ত্রেদ য়ুনিয়ন মুখৎপা'। য়ু পি এ নৎত্রগা এন দি এ, ওইনিংবা লৈঙাক ওইসনু- মখোয়না খ্বাইদই হৈনদবা/এলর্জিক ওইবা থৌওংসি ফইনান্সল সেক্তর ইনষ্টিট্যুসন'দা অকনবা ত্রেদ য়ুনিয়নগী য়ুম্ফম অমা লৈরম্বসিনি। ১৯৯১, অনৌবা ইকনমিক রিফোর্ম মিজর লৌখৎপা হৌরকঙৈদগী অমত্তা ঙায়রবা পান্দম ওইদুনসু ঙসি ফাওবা থবক ওন্থোক্লবা থৌনা লৈরকখিদবদুগী মরুওইবা মরমদি- 'অকনবা ত্রেদ য়ুনিয়ন বেজ' অসিনি। প্রাইভেট বেঙ্কশিংবু নেসনেলাইজ তৌবদা অকনবা পোলিটিকেল- ৱিল অমা চঙখিবদুগুম নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংবু প্রাইভেটাইজ তৌবদসু অকনবা, মরা চেৎপা, মীয়ামগী খন্দবা, লৈপাক্কী য়েক্লবা লৈঙাক অমা মথৌ তাখি। অদুগুম্বা লৈঙাক্তু মোদিনা লুচিংবা, এন দি এ লৈঙাক্কী অনীশুবা পন্দুপ অসিদা থোক্লবগী ৱানি।

বেঙ্ক প্রাইভেটাইজেসনগী ৱাফম, য়ুনিয়নগী অন্দোলন, নীংশিংলুরগা হৌখ্রবা ইতিহাসকী লামায় অমা নীংশিংলকই। বেঙ্ক-ইমপ্লোয়ীশিংনা প্রাইভেট বেঙ্কশিংদা মীনায়গুম থবক শুরিঙৈ, য়ুনিয়নগী মমি তমদ্রিঙৈ মতমদুদা মীনায়না মপু শীংনবা হৌরকখি, ১৯৪৬, এপ্রিল তারিখ কুন-নুমীৎতুদই দিমান্দ তৌরকখিবা 'বেঙ্ক নেসনেলাইজেসন'- ১৯৬৯, জুলাই ১৯, থাংজ নুমীৎতা মঙফাওনরকখিবই থৌদোক্তুনি। জুলাই ১৯, পার্লিয়ামেন্ট'না প্রাইভেট বেঙ্ক ১৪ নেসনেলাইজ তৌনবা ওর্দিনান্স অমা পাস তৌখি। সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া'না, ১৯৭০ ফেব্রুৱারী ১০দা ওর্দিনান্স অদু চৎনহনখিদে। ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন'না ফেব্রুৱারী ১২দা লৈপাক শীনবা থুংনা সুপ্রীম কোর্টকী য়াথংদুগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি। ফেব্রুৱারী ১৩দা এসোসিএসনসিগী ৱারেপ মতুংইন্না ভারত শীনবা থুংনা বেঙ্ক পুম্নমক থোঙ লোন্দুনা 'শুপ্নগী পুং অনীখক' থবক-লেপ্পা-ষ্ট্রাইক-খোঙজং চঙশিনখি। ফেব্রুৱারী ১৪, ১৯৭০দা পার্লিয়ামেন্ট'না অনৌবা ওর্দিনান্স অমা জারীদুনা, বেঙ্ক তরামরীদু অমুক হন্না নেসনেলাইজ তৌখি। 'য়ুনিয়নগী শক্তি অমদি 'মীয়ামগী খনবা লৈঙাক'- অনীমক্কী লেঙদ্রবা খুদম ওইরিবা থৌদোক অমগী ৱারীনি। ঙসিদি ৱারী ওইদুনতা তোক্লগদবা। 'ঐগী ৱারেপ্পা অচুম্বনি, মীয়ামগী ৱা নৱা লৌদে'... লৈঙাক পুরেনসিগী ৱাখলনি।

ইমপ্লোয়ীশিংনা বেঙ্ক প্রাইভেটাইজেসনগী মায়োক্তা লেপ্লিবা, থবক শুবা তোক্তুনা, নুমীৎ নীনিগী খুৎশুমল কথোক্লিবা... বেঙ্ক-শিন্নীশিংনা লৈঙাকসিবু নুংশিজবই খুদমনি, মখোয়গী মায়োক্তা লেপ্পা নত্তে। লাক্কদবা তুংগী মীরোলনা ঙসিগী লৈঙাকসিগী মথক্তা তিন শীৎনরক্কদবা থৌদৌ অদুদগী কনবীনবনি।

নুমীৎ নীনিগী খোঙজংসিগী মতুংদা, তূমথরুরবা লৈঙাকসিনা নৌনা মীকপ থোরক্লগা থোরক্লে। নৎত্রবদি, হেন্না মম্বা অমম্বা কোরৌ অমা থোক্লক্কনি শোয়দনা। নুমীৎতুনা থুংলবদা, হুরানবগী মখুৎতা লৈপাক্কী লনগৈ-ছোশীন্নখিবা নুমীৎতুদা, অতোন-অতা-লৈত-লায়রনা নম্না লৈবা লৈপাকসিগী মীয়াম্না, বেঙ্ক-ইমপ্লোয়ীশিংগী মহুৎ-শিন লম্বী লমজাওদা থোরক্তুনা লাউররনি, খোল্লাউ শেম্বদা মপা-লৈতে-খঞ্জবা মোদিগী নাকোংদুনা তানবা... 'বেঙ্ক বচাও, দেশ বচাও... জাগো মোদি জাগো'...।

কনানা খঙবা- নেপোলিয়নগী ৱাটর-লু লানফমগা পাঙ্খক ওইবা মোদিগী লানফম ওইনা থোক্লবসু- ইন্দিয়াগী বেঙ্ক প্রাইভেটাইজেসন!

লৌশিং পুক্কে

মৈখু শীজিন্নবা

তোকপনা পুক্নীং ৱাখলগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমই – ১

চুরুট থকপনা চহী খুদিংগী মালেমদা মীওই মিল্লিয়ন ৮ হেনবগী পুন্সি মাঙহল্লি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী মতুংইন্না মৈখু শীজিন্নবা হায়বসিনা মালেমগী ওইনা নাহন্দবা য়াবা অনাবশিং নাহনবা, লায়রহনবা অমদি মী শিহনবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ৫০মুক অসিদা অকক্লনা ইনকম ৱাংবা লৈবাকশিংদা মৈখু শীজিন্নবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লি, অমদি হীদাক মনা শীজিন্নবগী চাংসু হন্থরক্লি। অদুবু মসিগী ওন্না তৈনবদা পুক্নীং ৱাখলগী খুদোংচাদবা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তদি অদুম্মক ৱাংনা লৈরি।

মৈখু শীজিন্নবনা ষ্ট্রেস অমসুং এঞ্জাইটি হন্থহনবনচিংবা মেন্টল হেল্থকী কান্নবশিং পী হায়না মীওই খরনা থাজনৈ। ষ্টদি অমদা থেংনখিবগী মতুংইন্না অসিগুম্না খল্লীবা অসি মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংখক্তং নত্তে মেন্টল হেল্থ প্রেক্টিস্নরশিংসু অসুম্না খল্লী হায়বা খঙখি। মেন্টল হেল্থ প্রোফেসনেলশিংগী চাদা ৪০-৪৫ রোমদি মৈখু শীজিন্নবা তোকপনা মখোয়গী পেসেন্টশিংদা কান্নবা পীরোই হায়না খল্লী।

মৈখু শীজিন্নবা তোকপনা পুক্নীং-ৱাখলগী অনাবগী লাইওংশিং হেঞ্জিলহনগনি হায়নসু মীওই খরনা থাজনৈ। মীওই খরনদি মৈখু শীজিন্নবা তোকপনা স্মোকিং সিজেসন মনুংদা ইরিটেবিলিটি তৌবনা মরম ওইরগা নৎত্রগা মৈখু শীজিন্নবা হায়বসি মখোয়গী সোসল লাইফকী মরুওইবা মচাক্লি হায়না খনবদগী সোসল রিলেসন্সিপতা অকায়বা লাক্কনি হায়না পাখৎপসু য়াওই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী মতুংইন্না য়ু এসতা মীওই মিল্লিয়ন ৪০ রোম চুরুট থক্লি হায়রি।

মসিনা মরম ওইরগা রিসার্চর খরনা মৈখু শীজিন্নবনা পুক্নীং ৱাখলদা করম্না ইম্পেক্ট পীবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙনবা থিজিনখি। মখোয়গী রিভিয়ু অদু কোক্রেইন লাইব্রেরিদা পব্লিস তৌরকখিবনি।

রিভিয়ু অদুগী লুচিংবা ওথর ওইখিবা ডা. গেম্মা টেলরনা হায়, মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংনা চুরুট হায়বসি মখোয়না ৱাখল হন্থরক্লবা মতমদা মথৌ তাবা চৈঙাক্লি হায়না তোয়না থাজনৈ, অদুবু তশেংবগীদি মৈখু শীজিন্নবনা মখোয়গী ৱাখল হন্থহল্লি হায়না খন্নবগী চপ চাবা মরম লৈ। অয়ুক তূম্বা হৌগৎলকপদা চুরুট থক্লীংবগী খৌরাংবা, চুরুট থক্লগা খৌরাংবা অদু কোকহনবা, অদুদগী অমুক পুং অমগী মনুংদা অমগা অমুক থক্লীংলকপগী সাইকল অমা নুংতিগী থেংনবা অসিনা মখোয়গী ৱাখলদা করি চৈথেং পীবগে হায়বসি খঙবা য়াই হায়রি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মৈখু শীজিন্নবা মীওই কয়ানা শীজিন্নবা তোকপা মতমদা ফাওবা ৱিদ্রোয়ল অদু লাম্থোকখিনবা হোৎনৌ, অমদি মদুগী ৱাংমদা পুক্নীং ৱাখলগী হেন্না ফবা ফিভম অমা লৈ। ঐখোয়না থেংনরিবা ইভিদেন্সকী মতুংইন্না মৈখু শীজিন্নবা তোকপগা মুদকা লৈনরিবা মরী অসি মীওই কয়াগী মরক্তা ইমান মান্নবা থেংনৈ। অদুগা খ্বাইদগী মরুওইনা, পুক্নীং-ৱাখলগী অনাবা লৈবা মীওইশিংনা মৈখু শীজিন্নবা তোকপা মতমদা অনাবা হেঞ্জিল্লকই হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অসি কনফার্ম তৌরগদি, মৈখু শীজিন্নবা তোকপা মতমদা পুক্নীং-ৱাখলগী অনাবা হেঞ্জিল্লক্কনি হায়না কিবদগী মৈখু শীজিন্নবা তোকপা ঙমদ্রিবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াদা মঙাল অমা পীবা ঙম্লগনি।

মৈখু শীজিন্নবা তোকপনা চয়োল খরগী মনুংদা পুক্নীং-ৱাখলগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমই অমদি অতোপ্পা মীওইশিংগা লোয়নবগী মরীদসু ফগৎহনবা ঙমই হায়বা খঙবনসু মীওইশিং অদুনা ৱিদ্রোৱলগী অৱাবশিং মায়োক্লরিঙৈ মতমদা নীংহন্নবা পোকহন্দবদসু মতেং পাংলগনি।

হীদাক মনাদা য়াওবা প্রাইমরি এক্টিব ইনগ্রেদিয়ন্ট ওইরিবা নিকোটিন হায়বসিনা ঙাইহাক্কী ওইনা মুদ ফগৎহনবা ঙমই।

মীওই অমনা মৈখু চিংশিনবা মতমদা মদুদা য়াওবা নিকোটিন অদুনা ব্রেনদা য়ৌবদা সেকেন্দ ১০ দগী ২০ ফাওবা চঙই। মদুনা ব্রেন হেক য়ৌখিবগা দোপামাইন থাদোকহল্লি।

দোপামাইন হায়বসি পুক্নীং-ৱাখল নুংঙাইহনবগা মরী লৈনবা ন্যুরোট্রান্সমিটর অমনি। দোপামাইননা মুদ অমদি কন্সেন্ত্রেসন ফগৎহল্লি, মসল রিলেক্স তৌহল্লি, অমদি ষ্ট্রেস হন্থহল্লি। হায়রিবা মচাকশিং অসিনা মীওই অয়াম্ববু খুদক্তা রিলেক্সেসন ফংহল্লি। অদুবু নিকোটিনদগী ফংবা অফবা পোজিটিব ইফেক্টশিং অদুদি য়াম্না থুনা ময়াই চমখি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা মৈখু শীজিন্নবা মতমদা ঙাইহাক্কী ওইনা ৱিদ্রোৱল সিম্পটমশিং হন্থহল্লি। মসিনা তাকপদি মহাক্না ৱিদ্রোৱলগী সিম্পটম অদু মায়োক্লরোইগে হায়রগদি লেপ্তুনা অমদি চাং তাথদনা মৈখু শীজিন্নবা মথৌ তাই হায়বনি। অসুম্না লেপ্তুনা চথরকপা অসিনা মরম ওইরগা নিকোটিন এদিক্সন ওইহল্লকপদা মতেং পাংশিল্লি। মৈখু শীজিন্নবনা তুং কোইনা চৎকদবা কান্নবা অমত্তা পীবা ঙমদে।

নুপা শুমাং লীলা মার্চ ১৭তগী হৌরগনি, নুপী শুমাং লীলাগী অরোইবদা *লোই ওকপা* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকপা নুপী শুমাং লীলা অথোই-অহেন তান্নবগী অরোইবদা শিব যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনগী *লোই ওকপা* উৎখ্রে। নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলসু মার্চ ১৭তগী হৌরগনি।

নুপী শুমাং লীলা অথোই অহেন তান্নবগী অরোইবদা শিব যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনগী লোই ওকপা লীলা অসি কে ঐচ অমুমচানা ইরগা কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা তাকপী তন্বীবনি।

লীলা অসিগী ৱারীদি মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা থোইবীগী তাঙ্কক্তা শান্নবা ৱারীনি। চিংখুবা মথংখনবনা মমোম লাংলেন থোইবীবু অঙোম নোংবানদা লৈয়ু য়াদে হায়দুনা কবোদা লোই থাখি। কবোদা লোই থারবা মতুংদা চিংখুবগী তাল্লোই মমাতোনগী মঙলানদা থোইবী ৱানা লৈবা উখি। মমাতোনগী মঙলানদা উরম্বা অদুনা কবোদগী মোইরাংদা লোই কুম্লকখি। লোই কুম্লকপদা কুম্বী তেরাখাদা নোংবাননা থোইবীবু ঙাইদুনা লৈহনখি। নোংবাননা ঙাইদুনা লৈরম্বদা থোইবীনা খঙদুনা নোংবানদা মতাৎ তৌদুনা হৈরাং চাগে হায়দুনা হৈরাং পুরকহনখি। হৈরাং মনম তাবদা কবোরাই হৌরে হায়দুনা লৈরবা মতুংদা খম্বা মনাক্তা য়ৌনবা খনখি। নোংবানগী য়াঙ্গৈাই শগোল তোংদুনা খম্বা মকাদা য়ৌনবা নোংবানগী য়াঙ্গৈাই শগোল তোংগে হায়রকখি। নোংবাননা য়াঙ্গৈাই শগোল পীদুনা তোংহনখি। থোইবীনা লায়রবা খম্বগী মশাইগোন্দা য়ৌদুনা নুংশি পন্থুং য়ৌখি। নোংবাননা থোইবীবু ফংহৌদ্রবদা চিংখুবা মথং খনবগা ফত্তবা লৌশিং তান্নবা লাকখি। কংলা পুং য়ৈদুনা খম্বা খোঙ্গুল মুখৎনবা হায়ররে। চিংখুবনা নোংবান নংগী ননিং তৌরো হায়না য়াথং পীরমখি। নোংবাননা মোইরাং কংলা পুং য়ৈবদা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি চিংখুবদা এ ওমিলা, কবো নিংথৌদা এস লাতা, খম্বদা এন সুন্দরি, শৌরাদা এল বিদ্যারানি, নোংবানদা এল নেভিদিতা, নাইজহনবদা কে ঐচ বোনোরানি, দোলাইপাবদা এম শান্তিবালানা শক্তম লাংখি। নুপী শক্তম লাংখিবশিংনা মমাতোনদা কে ঐচ খেদা, থোইবীদা কে ঐচ এলিয়া, চনিংখোম্বীদা রোজিতা অমসুং খম্নুদা এল সুশিলানা শক্তম লাংখি।

শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী মখা চথরকপা ওইনা মার্চ ১৭তগী নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল হৌরগনি। নুমীৎ অসিগী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী অহানবা লীলা ওইনা শিরোই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী আই পি এস টাইম বোম উৎকনি। অদুগা নুমীৎ অসিমক্তদা অনীশুবা লীলা ওইনা নুমীৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা সনা লৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈক্রক্তা লৌউবা উৎকনি।

এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা শক্ন ইরবা অইবা পদ্মশ্রী এৱার্দী এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এলাংবম প্রিয়ব্রতনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা ৮৩শুবা চহীগী মীফমদা সাহিত্যরত্ন হায়বা উপাধি পীদুনা ঈকায় খুম্ন খ্রবা মণিপুরগী মশক নাইরবা উপন্যাস, ৱারীমচা অমসুং অনুবাদক এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

কুমজা ১৯৮৭তা আই এ এস ওফিসর অমা ওইনা থবক্তগী পোথাখিবা অইবা অসি কুমজা ১৯৯৭তগী ১৯৯৯ ফাওবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী সভাপতি ওইরম্মী। সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরম্মী। হৌজিক ফাওবা মহাক্না ইবা শৈরেং, ৱারীমচা, উপন্যাস অমসুং অনুবাদককী লাইরিক য়াওনা পুন্না লাইরিক ৩৫ হেন্না ফোঙখ্রে।

মহাক্না ইরম্বশিংগী মনুংদা ৱারীমচা ৱোমকুদা শিকার (১৯৭৩), মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা (১৯৮৫), উপন্যাসতা হাজারি (১৯৯৮) অমসুং অনুবাদতা কৃষ্ণচরিত (২০০০), দেবদত্ত অমদি হিন্দু ধর্ম্ম (২০০৩) অমদি ধর্ম্ম তত্ত্ব (২০০৮)নচিংবা শীংথাবা য়াই। মনা-মথুম কয়াসু ফংখ্রে। খরদং পল্লবদা কুমজা ১৯৮৭তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ, কুমজা ১৯৮৯দা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ, মহাক্কী ৱারীমচাগী লাইরিক মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা হায়বা লাইরিক্তা পীখি। কুমজা ২০১২দা একাদেমী অসিমক্না মহাক্কী ধর্ম্ম তত্ত্ব হায়বা লাইরিক অসিদা সাহিত্য একদেমী ত্রান্সলেসন মনা পীখি। কুমজা ২০১৭তা ভারতিয়া জ্ঞানগরিমা মানদ অলঙ্কারগী মনা ফংখি অমসুং কুমজা ২০১৮দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা মহাকপু সাহিত্যরত্না হায়বা উপাধি পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

মণিপুরগী মশক নাইরবা অইবা অমসুং অনুবাদক অসিনা লৈখিদবসি মণিপুরী সাহিত্যগী য়াম্না চাউনা মাঙজবা অমনি হায়না লৌজদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী হান্নগী সভাপতি নোংমাইথেম তোম্বীনা থৌরম মপু ওইদুনা ঙসি পরিষদ অসিগী ওদিটোরিয়মদা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবনা তাইবং শেম্বগী মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইমর্জেন্সি মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী ওইবা ইমর্জেন্সি মীটিং অমা লাক্লিবা মার্চ ২০দা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এম জি ঐচ এস এল দব্লিয়ু এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি এম জদুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী সিনিয়র লেকচরশিং, জুনিয়র লেকচরশিং, ভাইস প্রিন্সিপালশিং অমদি প্রিন্সিপালশিংনা লাক্লিবা মার্চ ২০গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসোসিএসন অসিগী ইমর্জেন্সি মীটিং অসিদা শরুক য়াবীয়ু। মীফম অসিদা প্রিন্সিপাল/ভাইস প্রিন্সিপালগী প্রমোসন, আর ও পি অমসুং অতোপ্পা হীরম কয়াদা খন্নগনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

অফবা নুমীৎ লাকখিনি হায়না লাউখিবদু পোৎচৈগী মমল তাংখৎলবিসি ওইগদৌরিব্রা?

নোংমগী তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংলে। পোৎচৈ য়োল্লিবা দুকান মপুশিংনা পোৎচৈগী মমলসু লৌনিংবা মওংদা লৌরি। পোৎচৈগী মমল করিগী হেনগৎলিবনো হংলুরবসু দুকান ফল্লিবশিংনা য়াম্না লায়না হেক্তা জি এস টিনা মরম ওইদুনা তাংবনি হায়না হেক্তা খুম্মি। মসি কদাই ফাওবা চুম্বনো হায়বসি তশেংনা খঙহনবিয়ু। অমরোমদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক মীয়ামগী য়াম্না খনবা লৈঙাকনি হায়না প্রোপেগন্দা অকনবা মওংদা তৌরি। কোরোনাগী চৈথেং ফংবা লোয়দ্রিবা মতম অসিদা চাকথোং গ্যাস, পেট্রোল, দিজিল অমদি পোৎচৈগী মমল কা হেন্না তাংখৎলকপনা লৈত-লায়রবা মীয়ামদি খম থেংনা ৱারে। মীয়াম্না ৱানা হিংলিবা অসিদা কনানসু য়েংশিনবিবা হায়বদুসু ওইদ্রে। লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা পোৎকী মমল দুকানশিংদা দিসপ্লে তৌদুনা থেৎকদবনি হায়না য়াথং থোক্লবসু দুকান কয়া য়াম্না মদুবু ঙাক্লিবগে হায়বসি হঙনিংঙাই ওইরি। মীচম লায়রবা মীয়ামদি ৱাবনা খম থেংলে। মসিবুরা 'অফবা নুমীৎ লাক্কনি' হায়না বি জে পি লৈঙাক্না লাউখিবগী মহয়? পোৎকী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংলিবসি অফবা নুমীৎ লাক্কেহায়গদৌরিব্রা? মপি-মপা অমা ওইবগী হৌনশা মীয়ামগী অৱাবা উবিয়ু।

❐ য়াঙম্বম শ্যামসুন্দর, থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়

ইশা অমদি অতোপ্পসু শোক্তনবা হেংলগা গাড়ি থৌবনা মমল য়াম্লবা পুন্সি কনবা ঙমগনি

পুন্সিগী মমল য়াম্মি হায়না খঙনরবসু করিগুম্বা মতমদা হেক-হেক কাউথোক্লবগুম তৌরি। মদুনা মরম ওইদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিন-থকচিন্দুনা অমদি অতোপ্পা মীগী মমল য়াম্লবা পুন্সিবু করি অমত্তা খনদবমখৈ গাড়ি কন্না-কন্না থৌবনা মীওই কয়াগী পুন্সি লৌখ্রে। অদুবু ঙসিসু মীওই কয়াগী এক্সিদেন্টদা থৱায় মাঙখ্রবসু থৌওং অসি অদুমক লেপ্পা লৈতনা চৎথরি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ গাড়ি অচৌবা অমদি মচা থৌবিরিবা মীপুম খুদিংমক্লা গাড়ি থৌবা মতমদা ঐনা হান্না থৌহৌগে হায়না খনবগী মহুৎতা অতোপ্পা মাঙদা লৈরিবা মীওই অদুনা হান্না থৌজখিসনু খনবিয়ু। ইচা-ইশুশিংবু লম্বীদা পুবা মতমদা মাঙ থাহন্দুনা ঐখোয়না তুংদা ইনদুনা করি-কদাইদা শোইখিগদগে হায়না শেনবগুম মাঙদা থৌরিবা গাড়ি অদুবুসু ইচা-ইনাউগুম খনবিয়ু। তাঙনা পোকপা তাইবঙ মপোকনি। লম্বীদা লাইবক থিবা এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদবা মতমদা ইমুং অদুগী মীওইশিংনা থেংনগদৌরিবা অৱাবশিং অদু ঐখোয়গী ইমুংদা থোকপসু য়াই হায়না খনবিদুনা গাড়ি তপ্না থৌদুনা ঐ অমদি অতোপ্পা মীওই কয়াগী থৱায় কন্নবা হোৎনমিন্নসি। ৱাখল্লোল অসি মীপুম খুদিংমক্না খন্নরক্লবদি এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং য়াম্না হন্থগনি খল্লি।

❐ হিজম সনাতোম্বী, খুরাই থোংঙাম লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

বি এস এফকী দি জি রাকেশ অস্থানা অহানবা ওইনা মণিপুরদা লাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস): বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী দিরেক্টর জেনরেল (দি জি) এস ঐচ রাকেশ অস্থানা মণিপুরদা অহানবা ওইনা লাকখ্রে। মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী কাউন্টর ইন্সজেন্সিদা বি এস এফকী বট্টালিয়নশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংবু য়েংশিনবা ওইনা লাকখিবনি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা লাকখিবা বি এস এফকী দিরেক্টর জেনরেল রাকেশ অস্থানানা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাগসু গভর্ণর বঙ্গলোদা উনখ্রে। তুংদা মহাক্না চীফ মিনিষ্টরগসু উনখি। তুংদা দিরেক্টর জেনরেলনা এ এন ঈশিংগী থবক থৌরমশিংদা খোঙজেল য়াংনা পীরক্লিবা চৈথেংশিংগী মতাংদসু শুগায়বা ৱারোল থমখি। লোয়ননা এ এন ঈশিংগী থবক থৌওংশিংদা হোংলক্লিবা মওং মতৌশিং অসি মতৌ করম্না লাকশিনগদগে হায়বগী মতাংদা ফিল্ড কম্মান্দরশিংদা ৱাফম কয়া অমসু থমখি। ষ্টেট অসিদা মথৌ তৌরিবা বি এস এফকী বট্টালিয়নশিংনা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিংবুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৩।২০২১ ইং, য়ুমশাকৈশা ;
লমতাগী ৪ নি পানবা।

মেষ: হরাওবা-নুংঙাইবা, মীচং খোম্বা য়াবা অমদি য়েক্লববু ঙমজদুনা মীংচৎ তানবদা মাই পাক্কদবা লৈ। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি, শাওবনা মাংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নিংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: য়েৎনবা অমদ অফা অপুনগী লমদা নুংঙাইতবা খরা লৈরসু পল্লম্বা শেল-থুমগী লমদা মাই পাকচবা অনিংবা থবক্তা শেল চাওনা থাদবা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হাইজবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: শেন্দোং চাওনা ফংগনি, অনৌবা অশা লাক্তুনা খুৎচাও থাবসু কান্নগনি। হান্নগুম্না মীতোপতি লোইনগনু। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবদা কাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা অমদি মীচং হেনগৎপা ঙসিসু লৈরি। অঙম্বনা নচাক নরল মৎপিবা য়াবদি লৈ, চেকশিল্লু। চিংনদনা মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: ৱা ঙাংবা লুই অমদি চরাংনরদি মীপাইবা নংগনি। য়ারগদি হান্না থিজিনবা অমদি খাংবা কনবা ফৈ। মদুনা কান্নবা য়াম্না ফংজগনি। ৱানোম্বা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-তাশিনবতা ওইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা: অচুম্বনা মাংওইনৌ অমদি মরুপ নত্রগা ইমুং-মনুংগী ৱানা লুম্না লৌবা ফগনি। হুরানবনা লান্না পাওথোকপী-কাওগনু। মীয়াম লোইনবদা চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ৱাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: নিংবা থুংবা ঙসিসু লৈ। অনিংবা থবক পাংগনি অমদি কেক থাদদুনা থৌ পাংবা মাই শোইদনা পাক্কনি। পল্লম্বা শেল থুম লাক্লনি অমদি মী ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: অশাওবা অমদি অনম তানবনা মাংউ হাইবা ঙসিসু লৈ-তপথৌ। লাইবক পবনা অঙম্বনদি চানবীগনি, ললোন ইতিক্তা লম্বা লৈতনা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু: নচাক নরলদা মীতাদি হান্নগুম লৈ অমদি য়েৎনবনা নরল মাংগদবসু লৈ। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা অমদি অচুম্বনা মাংওইনবনা নরল চাওখৎলু হাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: মীয়াম লোইনবগী নুংঙাইবা অমদি নচা-ননাই হেনগৎপা লৈগনি। থবক্কী লমদসু নুংঙাইজৈ। অদুবু কিবা পোকপা অমদি হোয়া ফবদি মাংজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা: নিংবদুমক পাংবনা অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি। নাপল অমদি অনম তানবনা নরল মাংগনি। ওজা-গুরুগী মতেংনা নচাক নরল চওখৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: থৌনা লৈবনা অমদি নথক থোংবনা হাইবা তাকপা লৌবনা মাই পাক্কদবা নুমিৎনি। অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবসু লৈ। অফবা মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকপদা রাশি য়াওই।
থৌনি পোৎলম : লৈঅঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।